SANALEIBAK
সনালৈবাক
PROGRESSIVE JOURNALISM
www.sanaleibak.in
চহী চুপ্পা লেপ্তুনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

স্টেট হেল্থ সোসাইটি,নেসনেল হেল্থ মিসন,মণিপুরনা শীন্দুনা অঙাং লাক্ষ ১০ রোমদা তিন লৈতনবা হিদাক পীজবগী পান্দমদা পায়খৎপা নেসনেল দিৱার্মিং দে হৌদোকপা থৌরমগী শক্তম অমা

লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা উরিপোক মায়কৈদা লম্বী থিংলগা প্রোটেষ্ট তৌবা

এন সি দি সেল এন্দ দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টকী তেংবাঙগা লোয়ননা ২–এম আর বট্টালিয়নদা পাঙথোকপা দাইবেটিষ্ট, কিদনি ফঙ্কসন অমসুং লিভর ফঙ্কসনগী ফ্রি মেডিকেল এৱ্যারনেস কম স্ক্রিনিং কেম্পকী শক্তম অমা

Volume No: 43 Issue: 73 IMPHAL SATURDAY 9 FEBRUARY, 2019 থাংজ, ফাইরেনগী ৪নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্কী নীংবা কায়হনবগীদমক অতোপ্পবু শাওরুনু। মখোয়গী অশা য়াম্না তৌরুবগীদমক্তা নশাবু শাওজো

GOLD PRICE 10G/24K

DELHI : RUPEES 34,430.00 /-
KOLKATA: RUPEES 34,350.00 /-
BENGALURU: RUPEES 34,460.00 /-

অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৫.৫° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৪.৩° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং– ৫.৫৫
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.০৭

পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৬.৫৯
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬১.৬৮

SAMSUNG লুহোংং–মচল
WATER PURIFIER (EUREKA FORBES)
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT. ₹ 40,999/-
INTEX 8 / 7.5 KG WASHER
FREE ₹4999
SAMSUNG 43' LED
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT. ₹ 53,999/-
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP. CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL. SARAJEEVAN ENT., PAONA BZ., IMP.
SUNDAY SPL. (9 am TO 5 pm)
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
MSV72CL = ₹ 8999
7.5 KG = ₹ 9600
8KG = ₹ 10300
7KG GODREJ = ₹ 11000
8.5KG GODREJ = ₹ 13200
REFRIGERATOR
180 LT INTEX = ₹ 9999
185 L GODREJ ₹13400 = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
24' LED (TV) = ₹ 9300
32' LED (TV) = ₹ 12500
40' LED = ₹ 19999
50' LED SMART = ₹ 37500
55' SMART LED 4K = ₹ 45000
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

লোইরেদনা

ঐগ্যাবু কৈদৌবা য়াওরগে প্রপ–প্রপ লাক্লগা মাঙ্গোলদা উংলিদুনা!

[illegible]



হায় মামা,মীগী বর যাত্রাদুদা চুড়া করণগী ওইনা শোঞ্জিল্লম্রে!

[illegible]

হেক্তা হায়জিনবা

কনবা

মফম খুদিং ৱাকৎ মীফম
নুমিৎ খুদিং মৈরা রেল্লি
লম্পাক খুদিং মীয়ামগী মীফম
নুমিৎ খুদিং লুহোংবা
শুমাঙ খুদিং চাক চাবা
লম্বী খুদিং গাড়ীনা পুমথন থন
হোটেল খুদিং ৱারেম ঙাঙ
ভেন্দর খুদিংম অখঙশা
লৈরক খুদিং পান দুকান
মফম খুদিং শেঙ্গৌ বোম
লবুক খুদিং পুমহাং হাং
থবক শুফম খুদিং মীতোপ্পা থন
কননি হায়রি য়েলহৌমী
নীংনি হায়রি মরৈপাক
কননি হায়রি য়েলহৌমী

দ্রগ লল্লোনবা মীওই অমা চহী ১৫ থবক শুবগী মীয়াৎ পীখ্রে

‘কেসকী আই ও ব্রিন্দা অমসুং সৈত্যবাইদা এৱার্ড পীবা মতিক চাই’

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ৮ (এস এন এস)ঃ

এন দি পি এস,ফাষ্ট ট্রেক কোর্টকী স্পিসিয়েল জজনা ঙসি পীখিবা শীংথাননিংঙাই ওইরবা ৱায়েল অমদা দ্রগ লল্লোনবগী মরাল লৈরবা মীওই অমা চহী ১৫ থবক শুবগী মীয়াৎ পীখ্রে।

কোর্টনা চহী ১৫ কৈশুমশঙদা মীয়াৎ পীখ্রবা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোং কালেখোঙদগী মহম্মদ সগির অহম্মদ (২৬) অপোকপগী মিং মহম্মদ অব্দুলহৈনি। মহাক চহী ১৫গী মীয়াৎ পীবতা নত্তনা শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ২.৫সু থা তরুক ফাওবগী মনুংদা থীননবা খঙহনখি। হায়রিবা শেনফম অসি মহাক্না পীবা ঙমদ্রগদি মঙোন্দা পীরিবা মীয়াৎ মতম অসিগী মথক্তা চহী ৩ অমগসু শাংদোক্কনি।

চৈরাপ কোর্টতা লৈবা এন দি পি এসকী স্পিসিয়েল জজনা ঙসি লাউথোকখিবা জজমেন্ট অদুনা হায়,এন দি পি এস এক্ট,১৯৮৫কী সেক্সন ২১(সি)গী মতুং ইন্না এক্যুইজদা চহী ১৫গী রিগরস ইমপ্রিজমেন্ট (থবক শুহনবা) লোয়ননা ফাইন ওইনা লুপা লাক্ষ ১ থীহনবা,এক্ট অসিমক্কী সেক্সন ২৫গী মতুং ইন্না চহী ১০ থবক শুহনবা লোয়ননা লুপা লাক্ষ ১গী শেনফম ফাইন থিহনবা, এন দি পি এস এক্ট,১৯৮৫গী সেক্সন ২২(বি)গী মতুং ইন্না চহী ৫গী থবক শুহনবা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০গী ফাইন থিহনবা হায়বা ৱাফমশিং অদু কোর্টকী রাই অদুদা পল্লি।

রেকোর্ডসকী মতুং ইন্না এক্যুইজ এম দি সাগির অহম্মদ এলাইজ অবো অসি জ্যুদিসিয়েল কষ্টদিদা নুমিৎ ১৮০নি লৈরুরে। মরমসিনা হায়রিবা নুমিৎ মশীং অসি সি আর পি সিগী সেক্সন ৪২৮কী মতুং ইন্না মহাক্কী ইমপ্রিজমেন্টদগী কক্কদবনি হায়রি।

অমরোমদা,কেস অসিগী সিজিং ওফিসার লোয়ননা কেস অসিগীসু অহানবা আই ও ওইখিবী মতমদুদা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সি,টি ঐচ ব্রিন্দা অমদি অনীশুবা আই ও ওইখিবী ডা. অসেম সৈত্যবাই দেবীনা মখোয়গী মথৌদা থাগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা তৌবগীদমক দিষ্টিংগুইজ সার্ভিসেস এৱার্ড পীবা মতিক চাই। লোয়ননা দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা ওর্ডর কোপি অসি থাদুনা মথৌ তাবা থবক লৌখৎলু অমসুং সুপরিন্টেন্ডেন্ট মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শাজিৱাদসু ওর্ডর অসিগী কোপি ফঙহন্নবা কোর্ট অসিনা খঙহনখি।

মশাগী চহী ২৪ খক্তমক ঙাইরিঙৈ মতম হায়বদি কুমজা ২০১৪গী মে ২৭তা ময়াই ফাবা দ্রগ ফাবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমসুং লিলোংদা লৈবা অনজুমান–ই–মৌস্রাগী মতেংগা লোয়ননা মঙোন্দগী এস পি কেপ্স্যুল ১,০৬,৯০৭ (লাক্ষ অমা লিশিং তরুক চমাপল শুপ্পা তরেৎ),কেজি অমা হেনবগী দেক্সট্রোপ্রোপোক্সাইফিন য়াওবা ময়াই কাবা দ্রগ, এন–টেন টেব্লেট ১২,৮০০ অমসু শেল ওইনা লুপা ১,৭২,০৯০ ফাগৎখি। হায়রিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসি এক্যুইজ অসিগী কাদগী ফঙবা ঙমখিবনি হায়না পীখিবা জজমেন্ট অসিদা পল্লি। মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ময়াই কাবা *মখা লমায় ৩দা...*

গাইখাঙমগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎখ্রে

লৈঙাক্কী বোইজ হোষ্টেল শানবা শেল লনাই স্কুল ১দা থৈদোক্লম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ (এস এন এস)ঃ

লৈঙাক্কী ওইনা বোইজ হোষ্টেল শাননবা থাদখিবা শেনফম লনাই স্কুল অমদা থৈদোক্লগা শারক্লগীদমক কোংগ্রেস লুচিংবা গাইখাঙম,হান্না ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট এন্দ হিলসকী দাইরেক্টর অমসুং কম্মিস্নর ওইরম্বা টি পানমৈ য়াওনা মীওই ৩গী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর লৌখৎখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়, ট্রাইবেল মহৈরোইশিংগী বোইজ অমসুং গার্লসকী হোষ্টেল শাননবা কাইথোকখিবা শেনফম মাঙহনখ্রে হায়না হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ট্রাইবেলগী সোসাইটি অমনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা থারকখি।

পি আই এল অদুগী মতুং ইন্না কোর্ট অসিনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরীদা শীরক্লিবা মরাল অসিগী অ্যুস–চুমদা খঙহল্লক্লবা য়াথং পীরকখি। য়াথং অদুগী মতুং ইন্না চীফ সেক্রেটরীনা ৱাথোক অসি ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টতা থিগৎননবা শীন্নরকখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়,লৈঙাক্কী বোইজ অমসুং গার্লসশিংগী হোষ্টেল শাননবা প্রোজেক্ট অমা কুমজা ২০১০দা লৌখৎলমখি। সেন্টরনা চাদ ৯০ অমসুং ষ্টেটনা চাদ ১০ পুথোক্লগা লুপা ক্রোর কয়ামরুম চঙনা শাগদবা হোষ্টেল অদুগী শেনফম ষ্টেটকী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০১০দা কায়থোকখি।

ষ্টেট লৈঙাক্না কায়থোকখিবা শেনফম অদু সেন্টরগী কয়াম–য়াম্না য়াওরবগে হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু ষ্টেটকী সিয়র ওইনা লুপা ক্রোর ১ ময়াদা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা সেঙ্কসন তৌরমখি। অদুবু হায়রিবা শেনফম অদু কুমজা ২০১৬কী অঙনবা শরুক ফাওবা কায়থোক্তনা লৈখি। হান্নদি হোষ্টেল অসি কবো লৈকাইদা শানবা থৌরাং তৌরম্মী। অদুবু লমগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈবদগী কুমজা ২০১০দগী শেনফমশিং অদু শীজিন্নবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়,কুমজা ২০১৬কী অঙনবা শরুক্তা চাউরাক্না লুপা লাক্ষ ৯৮ লোমগী শেনফম অদু সঙাকফমদা লৈবা লনাই সোসাইটি অমনা চল্লাইবা সেন্ট এন্থোনি কৌবা স্কুলদা থাদগে হায়না মতমদুগী টি দি এন্দ হিলসকী দাইরেক্টর অমসুং কম্মিস্নর টি পানমৈনা চে ইখৎলকখি। হায়রিবা চেরোল অদু মতমদুগী টি দি এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর গাইখাঙমনা অয়াবা পীথোক্লম্লা থেংনখি। অসুম্না শেনফম অদু কায়থোক্লবা তুংদা সেন্ট এন্থোনি স্কুলগী মরিশুবা ফ্লোর শাবদা শীজিন্নখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। শেনফম অদু সেন্ট এন্থোনি স্কুলগী সোসাইটিগী সেক্রেটরী ওইরিবী নুপী অমগী মিংদা থাদখি। হায়রিবা নুপী অদু টি দি এন্দ হিলসকী দাইরেক্টর / কম্মিস্নর ওইখিবা টি পানমৈগী লোয়নবীনি হায়না মরাল শীরি।

ৱাথোকশিং অসিগা মরী লৈননা কনা–কনা চেন্নবগে অমসুং শেনফমশিং অদু লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর মথন্তনা অয়াবা পীরগা কায়থোকখিবনো হায়বনচিংবগী মতাংদা ষ্টেট ভিজিলেন্সনা য়াম্না কন্না থিজিনবগী থবক চথরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

ৱাথোক অসিদা চেন্নে হায়দুনা ভিজিলেন্সনা এফ আই আর লৌখৎতুনা থিগৎলিবা এক্স–দেপ্যুটি সি এম গাইখাঙম, টি পানমৈ অমসুং মহাক্কী লোয়নবীগী পাউদি থম্বা ঙমদ্রি।

থৌবাল তুরেলগী ঈশিং মোৎপগী সুও মোটো–পি আই এল লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ ঃ থৌবাল তুরেল মনুংদা এক্সকাভেটর মেছিননচিংবা মেছিনশিং শীজিন্নদুনা নুঙ –লৈঙোই পেকপনা তুরেল ঈশিং মোৎশিনবা থীংনবা থারকপা পি আই এল অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা মণিপুর হায়কোর্টনা সুও মোটো–পি আই এল অমা লৌখৎখ্রে।

মণিপুর হায়কোর্টতা চহী অসিদা থারকপা ৫শুবা পি আই এল অদুগী মতুং ইন্না লৌখৎপা সু মোটো– পি আই এলগী রেস্পোন্দেন্ট মণিপুর ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনি। মণিপুর ষ্টেটকী মহুৎ শিল্লিবশিং অদুদি চীফ সেক্রেটরী,ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী, মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী চিয়ারমেন, ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নার নৎত্রগা সেক্রেটরীরি নৎত্রগা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী, ষ্টেট ইনভাইরোনমেন্ট ইম্পেক এসেসমেন্ট ওঠোরিটি (এস ঈ আই এ এ)গী চিয়ারমেন নৎত্রগা হেদ,থৌবালগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ইনভাইরোনমেন্ট ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট ওঠোরিটি (দি ঈ আই এ এ)থৌবালগী চিয়ারমেন, ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট ইনভাইরোনমেন্ট ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট ওঠোরিটি ইম্ফাল ইষ্টকী চিয়ারমেন,সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার অমসুং থৌবালগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনি। *মখা লমায় ৩দা...*

মণিপুর শোক্তনবা ক্লোজ অমা হাপত্রিবা ফাওবা বিলগী মায়োক্তা লেপকনিঃ সি এম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ (এস এন এস)ঃ

সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬তা মণিপুর শোক্তনবা ক্লোজ অমা হাপ্পা নৎত্রগা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক লমদমবু বিল অসিদা য়াওহন্দবা নৎত্রগা মণিপুর পীপলস বিল অথুবদা অয়াবা পীদ্রিবা ফাওবা লৈঙাক্না বিল অসিগী মায়োক্তা লৈখিগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরীয়েটতা ঙসি ঙামী ২৪৭তা লোন য়েল্হোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, সি এ বিলগী মতাংদা হৌজিক মণিপুরদা লাংলিবা অমদি নুংনাংলিবসি ঐসু খঙই। লৈঙাক অসি মীয়ামগীদমক্তা লৈবনি। অদুবু মীয়াম্না ৱা ঙাং–শকপদা মীনা তাবা নুঙাইরোইদবা,ষ্টেট অমনা অমবু হুন্নবা, লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তাবদা নুংঙাইরোইদবা ৱাদি ঙাংহন্নিংদে। মীয়ামদা ফাউবা অদুসু ঐখোয়দসু ফাওরি। মীয়াম্না চিংনরিবা খুদিংমক লৈঙাক্নসু ফাওই–খঙই। পুম্নমক অদু ঐখোয় উদবা খঙদবা নত্তে। সি এ বিলনা মণিপুর *মখা লমায় ৩দা...*

বোম পোকখায়বগী ক্লেম তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ ঃ ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুঙদা লৈবা এ আরগী সন্ট্রি দ্যুটিদা থাসিগী ৭ শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১০ রোম চৎপা মতমদা গ্রেনেট লংশিন্দুনা লান্দা চত্থখিবদু মণিপুর পীপলস আর্মি (এম পি এ)না চত্থখিবা লান্দানি হায়না য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দাইরেক্টর এম শক–হেননা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা লূপ অসিগী চেরোল অসিনা হায়, লান্দা অদুদা ৬–এ আরগী ৱারেন্ট ওফিসার অমা য়াওনা আই ও ওফকী ৬– এ আরগী লান্মী ৩ শোকখি অমদি নন–মণিপুরী *মখা লমায় ৩দা...*

ৱেসিয়াদা সি এ বিনা মৈ হৌবা ফিভমদা লৈরেঃপান্বে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ ঃ য়ু এন এল এফকী লান্মী শঙলুপ মণিপুর পীপলস আর্মি (এম পি এ)গী ৩২শুবা মপোক কুমওন হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা য়ু এন এল এফকী মিলিটরি এফিয়ার্স কম্মিটিগী চিয়ারমেন খুংদাংবম পান্থৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচা পুম্নমক্কী মফমদা নীংতম য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চিয়ারমেন অসিনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়,ইনিদয়াগী খুবামনুংদগী মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা মীয়ামগা খূৎশম্নুনা য়ু এন এল এফনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম লাঞ্জং অসিদা এম পি এনা য়েক্লবা ইন্দিয়ন ওকুপেসন ফোর্সেস (আই ও এফ)কা লাঞ্চেনবগী থৌনা হাপ্পীরিবসি ফুরুপচাশিংনা থম্মোয় শেংনা য়াওল অসিদা শরুক য়াবীবা অমসুং শৌগৎপীবগী মহয়নি।

ঙসিদগী চহী ৭০গী মমাঙদগী ইন্দিয়ানা ৱেসিয়া (ইন্দিয়ানা নোর্থ ইষ্টনি হায়জবা) লমদমগী লৈপাক পুম্নমক পুম্নৌ লৌশিনখি। লৈপাকশিং অসিগী রিয়েক্সনরি ওইবা লৈঙাকপা কাঙলুপশিংগা লৌতুনরগা ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবা অসিদগীদি লমদম অসিগী লৈশেম্লোনগী ফিভম পুমহোং হোংলে। লৈপাকশিং অসি পুনশিল্লগা অপুনবা মনিং তম্বা লৈপাক অমা শেম্বা য়াবগী লিক্লমচৎকী তাঙ্কক অমা লৈরম্বদু মাঙখ্রে হায়রি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা তৌগে মতাগুম পাস তৌনবা হোৎনরক্লিবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসিনা ঙসি–ঙসিমক মণিপুরগা লোয়ননা ৱেসিয়া পুম্বদা মৈ হৌরবা ফিভম অমদা লৈরে, মসি চহী ৭০গী মমাঙ ১৯৪৭–৪৯দা ইন্দিয়ানা মণিপুরগা লোয়ননা ৱেসিয়ার পুম্ববু নমদুনা লৌশিনখিবা মতমদুদগী হৌনা ইন্দিয়ানা মৈ চুবা হৌরকখ্রবনি। মদুগী মহয়না ঙসিদি লোইলমগী অয়ৌবী পনখৈ অদু য়ৌনা মণিপুর অমদি ৱেসিয়াগী মীয়ামগী পুন্সিরোলদা ফুরুপশিং অসি মমি শান্নকপা য়াবা খুদোংথিবা অদু মায়োক্নরগনি হায়বগী ৱাখলদা লৈতাফম খঙহন্দনা হিংহল্লি। ইন্দিয়াগী মিৎয়েংদি ৱেসিয়া পুম্বা মখোয়দা ঠেট ওইরে হায়না লৌই। মরমদি হৌরকফম তিন্নদে,শক–চু মান্নদে,রিসিএল্লি খেন্নৈ,লমদম অসিগী ফুরুপশিং অসি মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী পুৱারীদা য়াওরকখিদবা তোপ–তোপ্পা শক্তম পুৱারী লৈজবা মাঙ্গোল্লোইদ ষ্টোকনি। অদুনা ইনিদয়াগী ঈচেলদা তিনশিনবা য়ারোইদবনি হায়না মখোয়না তশেংনা খঙই। ফিভম অসিদগী নোংমদি *মখা লমায় ৩দা...*

No to Chemical
Yes to Organic
ORGANIC ENSURES YOU
TRUST QUALITY
Organic MANIPUR
RELIABILITY ECO-FRIENDLY
ORGANIC MANIPUR
for healthy and sustainable Manipur
MOMA
MANIPUR ORGANIC MISSION AGENCY (MOMA)
Department of Horticulture & Soil Conservation,Manipur
Department of Agriculture,Manipur
Under
Mission Organic Value Chain Development for North Eastern Region
(MOVCDNER)
Ministry of Agriculture and Farmers Welfare, GOI
SL / H /Bill

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্তগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোঙ্দুনা চৎপিয়ু
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ চৌরমশিংগী ওইনা অথুম্না শেমজনা package লৈরি
Toll Free Number 1800-345-3838
GET IT ON Google Play
অদোমবু তেঙ্কা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পাম্বমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
SL / B / 30 days



PRADHAN MANTRI SAHAJ BIJLI HAR GHAR YOJANA
Ministry of Power Government of India
SAUBHAGYA
Saubhagya
Roshan Hoga Har Ghar
Gaon Ho Ya Saher
The target for electrification of willing and eligible un-electrified households under the SAUBHAGYA in Manipur has been successfully achieved as per the data of REC portal on 20th Dec'18. If any such household is left out, please contact concerned MSPDCL, Division or Sub-Division office on or before 31st March, 2019, for free eletricity connection by MSPDCL
http://saubhagya.gov.in/ MSPDCL, Manipur
SL / B / 10 days